# সেপ্টেম্বর ৩০-ইন্টরনেসনল ত্রান্সলেসন দে : নুমিৎ অসিগী মরু ওইবা থিম - য়ুনাইটেদ ইন ত্রান্সলেসন

— তোংব্রম অমরজিৎ —

মালেমসিদা লৈরিবা মশীং য়ামখ্রবা মীওই বিলিয়ন কয়াগী ফুরুপ-কাঙলূপ, লাইনীং-লাইশোন খেন্নবা কয়াগী মরক্তা ঙাঙনরিবা লোলসি চাওরাকপা অপূনবা মশীং লিশীং ৭ খরা হেল্লি হায়না পানরি। লাইবক থীবদি অপিকপা ফুরুপশিংনা ঙাঙনবা লোল কয়াসু মালেমগী লৈমায়দগী অদুমক মুৎখিবসু য়াওদবা নত্তে। মীশিং য়াম্বা ফুরুপশিংনা ঙাঙনবা লোলশিংদি লৈঙাকসিনা মসিগী থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা চাওখৎনবা হোৎনরি মালেমগী লৈবাক কয়াদা। তৌইগুম্বসুং অপিকপা ফুরুপশিংনা মশাগী লোল, ময়েক লৈজরগসু গ্লোবেলাইজেসনগী অমদি ৱেষ্টনাইজেসননা পীবা শাফুদা ঙাঙনরিবা লোলদা অহোংবা কয়া লাক্লি। অখণ্ড অহৈশিংনা, লিংগুয়িষ্টশিংনা হায়বসু চুম্মী, অহিংবা লোল খুদিংমক অহোংবা লৈগনি। অহোংবা, অওনবা কয়াগী মরক্তা ইমালোলদি কৈদৌনুংদা মীরাইফদে। ফজবা অরিবা লোলগী পুক্কেদা করি য়াওরি হায়দুনা থিরগা মদু শীজিন্নবদা হেন্না কান্নবা ওইগনি। মসিদা লোলগী শিনফমদা লৈরিবা লম্ অসিদা কথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌরিবা ত্রান্সলেটরশিংগী থৌদাংসু য়াম্না চাওই।

মীওইবনা ঙাঙনরিবা লোল অসিদা য়াওরি কলচর, ত্রেদিসন, পুৱারী, চৎনবী, থাজনবী অমদি চিনবুং সাহিত্যগী মচাক কয়া। মীওইবনা হেক পোকপদগী শিবা ফাওবদা চংলিবা, শীজিন্নরিবা মচাক পূন্নমক ঐখোয়না ঙাঙনরিবা লোলসিদা খুদিংমক য়াওরি। মালেমগী মীয়ামগী খ্বাইদগী হেন্না শীজিন্নরবা ফাওন-লোল ওইরিবা ইংলিসনা অতোপ্পা লৈবাক্কী লোল কয়া মখোয়গী ওইনা শীজিন্নদুনা ইনাক খুন্নবা হোৎনরি। অমরোমদা মীশিং য়াম্না ঙাঙনদবা ফুরুপশিংগী লোলনা অমুক নোংম-নোংমগী নেটিভ স্পিকর মশীং হন্থরক্তুনা লোল অদু ময়েং তাবা, মদুগী মরু ওইবদু হন্থরকপা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মালেমগী ওইনা ইন্টরনেসনল ত্রান্সলেসন দে হায়দুনা পাঙথোক্লবা হৌরক্লিবসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। মীওইবা খুন্নাইনা অনৌবা সভ্যতাগী মঙাল ফংদ্রিঙৈদা খ্বাইদগী মরু ওইনা খন্নরম্বা লাইরিক হায়রগদি লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈনবা লাইরিকশিংনি হায়না লৌবা য়াই। মসিদা হিন্দুশিংগী গীতা, খৃষ্টিয়নশিংগীনা বাইবল, মুসলিমশিংগী কুরান অসিনচিংবা কয়া লৈখ্রে। হায়রিবা লাইনীং লম্বীগী ওইবা টেক্সশিং অসি লোল অমদগী লোল অমদা হন্দোকপা হায়বসি অরায়বা থবক অমদি নত্তে। অসিগুম্বা লোল হন্দোকপা অসি ঙল্লিঙৈ মতমদা লাইনীং লম্বেলদা থৱায় লুপচরবা ভক্তশিংনা তৌরম্মী। মণিপুরদসু অরিবা পুয়া লাইরিকশিং অনৌবা লোলদা ত্রান্সক্রাইব তৌবা অমদি হিন্দু লাইনীংগী লাইরিকশিং অমদি ইপিক মহাভারত অমদি রামায়ন ফাওবা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাই গুরুশিং লৈরি। অসুম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা লোল হন্দোকপগী থবক্তা মায়পুনখিবা হন্দোক্লোইশিংবু ঙসিগী মীরোলনা কাউফদে। মখোয়বু ইকায়খুম্নবা উৎফম থোকই। অদুননি য়ু এননা সেন্ট জেরোম্না লৈখিদবা নুমিৎ সেপ্টেম্বর ৩০বু ইন্টরনেসনল ত্রান্সলেসন দে হায়না নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লিবা। সেন্ট জেরোম ইটালিগী অৱাং নোংপোক্তা পোকখি। গ্রিক মনুস্ক্রিপ্টতা লৈবা বাইবলগী ন্যু টেষ্টামেন্টপু লেটিনদা মরীক চুম্না ত্রান্সলেসন তৌখি অমদি হিব্রু গোস্পেলবু অমুক গ্রিক্তা ত্রান্সলেসন তৌখিবা অদুগীদমক মহাকপু ঙসিসু শোন্নরি। মহাক ইল্লিরিয়ান ফুরুপকী চাদা নাওদানি অমদি মমালোলদি ইল্লিরিয়াননি। স্কুলদা লেটিন তমখি অমসুং গ্রিক নীংথিজনা ঙাঙবা হৈ অমদি য়াম্না খঙই। শিংথানীংঙাই ওইবা থবক কয়া তৌরমখি। মহাক্না লৈখিদবা সেপ্টেম্বর ৩০বু য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কুমজা ২০০৫দগী হৌনা ***য়ু এন সেন্ট জেরোম ত্রান্সলেসন কন্টেষ্ট*** হায়দুনা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম অমা সেন্ট অসিবু নীংশিংবা অমদি তর্পন কৎপা ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অসুম্না ত্রান্সলেসনগী অথোই অহেন তান্নবা অসিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লোল ঙাঙলিবা মীওই কাঙলূপ কয়াগী মরক্তা অমনা অমগী লোল, কলচর, ত্রেদিসন, চৎনবী কয়াবু হেন্না মশক খঙনবা হোৎনবদা অমদি নুংশি চান্নবা পুরকপদা চাউনা মতেং পাংলি। মসিদা ত্রান্সলেটরশিংনা লৌরিবা চাওরবা থৌদাং অসিবুসু মশক খঙবা হেনগৎহল্লি অমদি লোল হন্দোকপা অমদি মসিগী শিনফমদা লৈরিবা পূন্নমক্কী মফমদা ইকায়খুম্নবা অমদি পূক্নিং থৌগৎপা মতম অদু লাক্লে। মরমদি লৈবাক অমা, খুন্নাই অমা চাওখৎনবা হোৎনবদা য়াংলেন ওইরিবসি ঙাঙলিবা অমদি ইরিবা লোল অদুনা ওইরিবনি। খোরিরোলদা খুন্নাইগী মমি তারিবনি। সাইন্সতা, টেক্নোলোজিদা লাক্লিবা অহোংবা, অওনবা কয়া অসিবু লোল হন্দোকপগী শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা শিংথানীংঙাই ওইবা থৌদাং লৌরিবনি। খুদম ওইনা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা লৈবাক মীয়ামদা ঈ-পাউ কয়া পীরিবা, ইরিবা, হায়রিবা কয়াসিদা ত্রান্সলেসন হায়বসিনা চাওরবা থৌদাং লৌরি। অদুনা নুমিৎ অসি নীংশিংদবা য়াদে। ত্রান্সলেটরশিংবু থৌনা পাঙ্গল হাপ্তবা য়াদে, মখোয়বু ইকায়খুম্নবা উৎফম থোকই। থেংলবসু থেংনা য়ু এনগী জেনরেল এসেমব্লিগী ৱারেপ ৭১/২৮৮না মে ২৪, ২০১৭তা লোল হন্দোকপগী শিনফমদা লৈরিবশিংনা মালেমগী লৈবাক কয়াবু অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎপদা অমদি ঈ-পাউ ফাওনবা লোয়ননা মালেমদা শান্তি পুরক্নবা হোৎনবদা লৌরিবা মপাল নাইদ্রবা থৌদাং অসিবু ইকায়খুম্নবা ওইনা সেপ্টেম্বর ৩০বু ইন্টরনেসনল ত্রান্সলেসন দে হায়না নীংশিং নুমিৎ পাঙথোক্নবা ৱারেপখিবনি। মসিগী মমাঙদা ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ ত্রান্সলেটরসনা কুমজা ২০১৪দগী হৌনা তোঙান তোঙানবা থিমদা ইন্টরনেসনল দে পাঙথোক্তুনা লাক্লি। 2014–Language Rights: Essential to All Human Rights. 2015–The Changing Face of Translating and Interpreting. 2016–Translation and Interpreting: Connecting Worlds. 2017–Translation and Diversity.2018–Translation: promoting cultural heritage in changing times. 2019–Translation and Indigenous Languages during ***International Year of Indigenous Languages.*** 2020–Finding the words for a world in crisis.2021–United in translation. অসুম্না থিম কয়াদা নুমিৎ অসিবু সেলেব্রেট তৌবনা লোল অমসুং ত্রান্সলেটরশিংগী শিনফম অমদি ইমালোল ঙাঙবগী মরু ওইবদু হৌরক্লিবা মীরোলদা হেন্না মমল লৈহনবা, ভেল্যুস অদু খঙহনবা ঙমহল্লি।

মণিপুরী লোল ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা কুমজা ১৯৯২গী ওগষ্ট ২০দা চনখি। তরাই তরাইনা ফংখিবদি ওইখিদে। মণিপুরী লেংগ্বেজ দিমান্দ কোওর্দিনেটিং কম্মিটি হায়দুনা শেমখিবা কম্মিটি অসিনা কন্না মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিনখি। মীশি মীনা ফাওবা থোকখি। শক্লাইরবা পোলিটিকেল এনালিষ্ট লৈহাওথাবম সরতচন্দ্র মাঙজিল থাখি ইমালোলগীদমক। সাহিত্য থৌপাং লূপনা মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ ফেব্রুৱারী ২১দা ইকায়খুম্নবা উৎখি অহানবা ওইনা। পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইরিবদি মণিপুরদা লৈরিবা খোরিরোলগী লূপশিং অমদি লেংগ্বেজ লোয়শঙনা থৌরমশিং অসি পাঙথোক্লরকপসিনি। লৈবাক অসিগী অমত্তা ঙাইরবা খোরিরোলগী খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা থবক তৌরিবা সাহিত্য একাদেমিনা শকখঙলবা লোল ২৪দা সাহিত্য একাদেমি মনা পীদুনা লাক্লি। মসি লোল ময়েক অমদি সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎনরিবা অইবশিংদা হনবা লৈত্রবা থৌনা হাপ্লি। অসিগুম্বা মনা কয়াগী মরক অসিদা ত্রান্সলেসন প্রাইজসু কুমজা ১৯৮৯দগী পীদুনা ত্রান্সলেটরশিংবু পূক্নিং থৌগৎতুনা লাক্লি। চাওথোকচনীংঙাই ওইরিবদি কুমজা ১৯৮৯দা অহানবা মণিপুরী লোলগী ওইনা ত্রান্সলেসন প্রাইজ ফংখিবী অইবী অসি তখেল্লম্বম থোইবীনি। মমিং লৈরবা বেঙ্গোলি নোভেল 'দ্রিস্তিপাঠ' মণিপুরীদা হন্দোকপগীদমক পীখিবনি। কুমজা ১৯৭৩দগী ঙসি ফাওবসিদা মনা কয়া ফংলবা অইবা-অইবী কয়া মণিপুরী খোরিরোলদসু মরাং কায়না লৈরে। অদুবু লৈরিবা ঐখোয়গী এদ্যুকেসনগী সিষ্টমসিনা ইমালোল মণিপুরী অসিবুদি থাক হন্থবা লোল ওইনা খলহনবা অমা ঙসিগী মীরোলশিংদা ফাওহল্লি। ইংলিস অমসুং হিন্দি ঙাঙবা হৈতবা লাইরিক হৈবা মীওইশিং লাইরিক হৈতবা ওইনা খনবসি য়াম্না লাল্লি। অদুননি নেসনল নোলেজ কম্মিসননা রেকমেন্দ তৌদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্স দিভেলপমেন্টনা সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ন লেংগ্বেজবু নোদেল ওর্গনাইজেসন ওইনা থবক কয়া পাঙথোক্লবা থৌরাং অমা ওইনা নেসনল ত্রান্সলেসন মিসন হায়দুনা নোলেজ টেক্সট পূন্নমক ইমালোলদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা তমহন্নবা পান্দম, থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা ত্রান্সলেসনগী থবক কয়া লেপ্তুনা পাঙথোক্লক্লিবা। মসিনা পাক চাওখ্রবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্তা লৈরিবা শক-চু মান্নদবা, লাইনীং-লাইশোন খেন্নবা, চৎনবী-থাজনবী মান্নদবা, লৈবাক অমদা অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা চাউনা মতেং পাংলি হায়বা য়াই। ঙসিদি মণিপুরী লোল অমদি ময়েকসু নৌহৌননা হিংগৎনবা খোঙথাং কয়া লৈঙাক্না হোৎনদুনা ইশাগী লৈজরিবা ইরোল ইয়েক্তা য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা মহৈ মশীন তমদুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিং তাকপী-তম্বীরি।

অমরোমদা য়েংলুবদা মালেম অসি য়াম্না থাজদবা মওং অমদা টেক্নোলোজিগী এদভান্সমেন্টনা শাথীনা অহোংবা কয়া ঐখোয়গী মাঙদা লাক্তুনা লৈরবা মতম অমা ওইরি। আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্সকী য়াওলদা ঙসিদি ত্রান্সলেসন অসি ফাওবা মেছিন ত্রান্সলেসন তৌদুনা অঙকপা মওং অমদা নোলেজসি এক্সপ্লোজন অমা লাক্লি। মসিনা হান্না তৌরম্বা থবক কয়া মেছিননা পূন্নমক শীজিন্নবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে। স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী লাইব্রেরিদা লাইরিক পাবগী মহুত্তা টেব্লেট (মোবাইল) অমদা ঈ-বুক ওইনা টেক্সট খুদিং দাউনলোদ তৌদুনা খঙবা অমদি পাবা য়ারে। লোল অসি গুগল ত্রান্সলেসন তৌদুনা ঐনা খঙনীংবা পূন্নমক খুদোম্বী মতোন্দা য়াওদুনা লৈবগুম্না লাক্লি অহোংবা হায়বদু। টার্মস অমদি টর্মিনোলোজি কয়া লাক্লি। মণিপুরী লোলসু অহিংবা লোল ওইবনা অহোংবা কয়া লাক্লি। মিলিয়ন ২ খরা হেনবনা ঙাঙলিবা লোল অসিগী পুৱারী মসিগী ইনাকখুনবা মশক অদুনা ঙসিদি ইন্দিয়াগী ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী লোল অমা ওইনা শকখঙনবসু হোৎনরি। অসিগুম্বা হোংলক্লিবা অওনবা অহোংবা কয়াগী মরক্তা মালেমগী ওইনা ইন্টরনেসনল ত্রান্সলেসন দে হায়দুনা পাঙথোক্লবা হোৎনরক্লিবসিদা মণিপুরদসু সাহিত্য থৌপাং লূপনা হৌদোক্তুনা ইন্টরনেসনল ত্রান্সলেসন দে কুমজা ২০১২দগী সেলেব্রেট তৌদুনা লাকখি।

লূপ অসিগী সেক্রেটরিগী থৌ পুরম্বা নিংঙোম্বম রবিচন্দ্রগী লৈখিদ্রবা মনেগী মীংদা সর্দা ত্রান্সলেসন এৱার্দ হায়দুনা অহানবা ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইংলিস দিপার্টমেন্টতা প্রোফেসর ওইরিবা থৌনাওজম রতনকুমারদা পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মথং মথং ত্রান্সলেসনগী মনাশিং অইবা রোবিন এস ঙাঙোম, তায়েঞ্জম বিজয়কুমার, এম মনি মৈতৈ অসিনচিংবশিংদা ত্রান্সলেসন মনা পীদুনা লাক্লি। মতুং তারকপদা শক্লাইরবা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহনগী মীংদা ত্রান্সলেসন মনা পীদুনা লাক্লি। মরমদি লোল অমদি খোরিরোল মশক তাকপদা ত্রান্সলেটর অমদি অইবশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। কুমজা ২০২১দা শক্লাইরবা অইবা অরিবম কুমার শর্ম্মাদা এন কুঞ্জমোহন ত্রান্সলেসন এৱার্দ পীগদৌরি। অইবা অমসুং ত্রান্সলেটর এ কুমার শর্ম্মানা মমিং লৈরবা মণিপুরী দ্রামা ৫ হেন্না হিন্দিদা ত্রান্সলেসন তৌদুনা মণিপুরী খোরিরোলবু মশক তাকখি অমদি মমিং লৈরবা হিন্দি দ্রামা ২১ হেন্না মরিপুরীদা হন্দোক্তুনা ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালদসু শন্দোকখি। নীংশিংবা য়াই, অইবা অসি কুমজা ২০০৩দসু সাহিত্য একাদেমি ত্রান্সলেসন প্রাইজ ফংখি। মহাক্না হিন্দি অইবা ধরম্ভির ভারতিগী নোভেলবু মণিপুরীদা 'নুমিৎকী তরেৎশুবা শগোল' হায়না হন্দোকপগী।

মালেমসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লোল ঙাঙলিবা য়ামখ্রবা মীওই বিলিয়ন কয়া অসিগী মরক্তা ত্রান্সলেটরশিংনা লৌরিবা মপাল নাইদ্রবা থৌদাংসি তশেংনা হঙ্গৎনা য়েংলবদি মপাল নাইদ্রবা খুদোল অমনি। মীওইবগী পূক্নিং ৱাখল অমদি থম্মোয়বু অমত্তা ওইনা পুনশিল্লিবসি অসিগুম্বা ত্রান্সলেসনগী খুদোল অসিনসু হেন্না নকশিন্নহল্লি। ●

# রেভল্যুস্নরি মার্ক্সিষ্ট অমা ওইনা লময়ানবা ইরাবত

- ডা. এম নরা -

অনীশুবা লাঞ্জাও অসি কুমজা ১৯৩৯গী সেপ্টেম্বর ১দগী নোংপোক য়ুরোপ্তা লৈবা পোলেন্দগী রোক্লো সিটিদগী হৌখি। মালেম শিন্থুংনা মীচং নাইনদুনা থোকখিবা লাঞ্জাও অমনি। মরম অদুনা ৱর্ল্ড ৱার ২ (অনীশুবা লাঞ্জাও) হায়না খঙনৈ। মসিগী মনুংদনি মণিপুরদা নুপীলাল থোকখিবসু। মরু ওইবা থৌদোক্তি দিসেম্বর ১২, ১৯৩৯দনি। নুপীলাল অসিবু লমজিংলুবগীদমক ইরাবতপু কুমজা ১৯৪০গী জন্যুৱারী ৯দা ফাদুনা ইম্ফাল সেন্ট্রেল জেলদা থমখি। মমৈথংদা মহাকপু সিলহেট জেলদা (হৌজিক্তি বাংলাদেশকী মনুংদা লৈরে) হোংদোক্লগা চহী অহুমগী মিয়াৎ মদুসু অকনবা থবক শুহনবা (রীগোরস ইমপ্রিজনমেন্ট) ওইননি। কুমজা ১৯৪৩গী মার্চ ২০দা সিলহেট জেলদগী ইরাবত থাদোরকখি। অদুবু মণিপুরদদি চঙবা য়াহনখিদে। মহাক্না সিলহেট জেল মনুংদা লৈরিঙৈ অমদি মণিপুরদা চঙবা য়াদ্রিঙৈ মরক অসিনি খ্বাইদগী মরু ওইবা মহাক্কী পুন্সিগী অওনবা রেভল্যুস্নরি অমা ওইরক্লবগী লেঙদ্রবা য়ূম্ফম থোনখিবা। ইন্দিয়া মনীংতম্বগী ঈহৌদা ফাজিন্দুনা থল্লম্বা কম্যুনিষ্ট লুচিংবা কয়াসু সিলহেট জেল মনুংদা লৈরম্বা ইরাবতকা থেংনখি। মরু ওইবা কম্যুনিষ্ট লুচিংবশিং অদুদি জ্যোতিরময় নন্দি, অচিন্ত ভত্তচার্জি, মনি গুহানচিংবনি। ইরাবত ধাকাদা লাইরিক তম্লকখিবা মীশক অমনিনা বেঙ্গোলি লোল ফজনা খঙই। মরম অদুনা মহাক্না কম্যুনিষ্ট লুচিংবশিং অদুগা ৱারী শানবদা য়াম্না খুৎলোয়না শানৈ অমসুং মমুৎ তানা ৱাফম কয়া নৈনখি। মতাং অসিদনি ইরাবতনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম : "ঐহাক্তি ইশানা খঙদনা কম্যুনিষ্ট ওইরম্লেদনা"। জেল মনুংদা লৈরিবা লুচিংবশিংগী ৱারী অমদি মার্ক্সিজমগা মরী লৈনবা লাইরিকশিং ইরাবতনা পাবা অমসুং নিংথিনা নৈনবা হৌরকখি। জর্ম্মন্দা পোকখিবা কার্ল মার্ক্স কৌবা মহাপুরুস অমগী পোলিটিকেল ফিলোসোফি অদুবুনি কম্যুনিজমগী থিওরি হায়নরিবা। অদুগা কার্ল মার্ক্সনা পুথোক্লমই হায়বগীদমক মার্ক্সিজম হায়নসু কৌনৈ। খুন্নাই চাওখৎলকপগী বিজ্ঞান অমসুং দর্শনশাস্ত্র লৈ (লোজ ওফ সোসল দিভেলপমেন্ট) মহৌশাগী অরোনবা কাঙলোনশিং অসিবু বিজ্ঞানিক ওইনা নৈনদুনা মীনা মতৌ করম্না মী ওইরকখিবা অমসুং খুন্নাই লিংদুনা মথং মথং চাওখৎলকপগী মরমশিং নৈনরকপনি। খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা করিগী অসুক য়াম্না খেন্নবা লৈরিবা? করিগী অওৎ অনৈ অসুক য়াম্না লৈরিবা? লায়রবা-ইনাকখুনবা শোক্ল-পন্নবা য়াদবা, অচৌ-পিশক খায়বা পূন্নমকসি তাইবঙ শেম্বা মপুগী খূৎশেম্না নত্তে, মীওইবগী খূৎশেমনি হায়বসি কার্ল মার্ক্সনা খঙবা ঙমখি। অহোংবা কয়া অমা ওইরক্লিবসি য়ান্নদবা, মুক্লবা অমদি থেঙ্গাইনরকপদগী থোরকপনি। ৱাখলশিং অসিনা মরম ওইরগা মহাক্না ইবা মেনিফেষ্টো ওফ দি কম্যুনিষ্ট পার্টি ফোঙখি কুমজা ১৮৪৮দা। লাইরিক অসিগী ৱাহৌদোক্তা অসুম্না ইরম্বা থেংনৈ - "য়ুরোপ্তা ভুট অমনা নৈরদৌরে, কম্যুনিজমগী ভুৎনি, মসিবু তাম্থোকখিনবা শক্তি লৈরবা নিংথৌরেলশিং, অঙম অথৌ ঙম্নমক অমদি স্পাই, পুলিসশিংনা ঈরাৎ পুজা তৌনবা হোৎনরি।" মীনা মীবু ওত্তবা, চাকথুং-ফিথুং মান্নহল্লবা, লায়রবা কোকহনবা ঙল্লবা, মীওইবনা পোল্লকপগী নুংঙাইনা হিংমিন্নবগী মহাউ খঙবা, মীওইবগী খুন্নাই শেমগৎপা য়াই হায়বসি মার্ক্সনা পুথোক্লি। মসি খঙনরকপদগী ইরাবতনা মার্ক্সিষ্ট অমা ওইরগে হায়না সিলহেট জেল মনুংদগী মহাক মশাগী ফিরেপ অমা লৌরকখবনি। মহাক্কী থম্মোয়দা খ্বাইদগী নুংশিজবা ৱাহৈশিং - সমাজবাদ (মান্নবা সমাজ), সোসিএলিজম হায়বসিনি। মতাং অসিৱাইদা শেংদোকচনীংবা অমা লৈরে মদুদি কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা ইথোরকপদা নৎত্রগা ৱারীদা লান্না ৱাহন্থোক পীবা থেংনজে। সোসিএলিজম হায়রগা ৱাহন্থোক অমা অদুগা সোসল জষ্টিস হায়রগনা অতোপ্পা অমা। মসি চুম্না খঙমিন্নবা মথৌ তাই। সোসল জষ্টিস লৈরবা খুন্নাই অদু সোসিএলিজম শাগৎলিবা খুন্নাই অমনি। মার্ক্সিজম্না হায় মদুদি পুৱারী হায়বসিমক কাঙলূপকী লানদগী থোরকখিবনি। "হিষ্ট্রি ইজ দি প্রদক্ট ওফ ক্লাশ ষ্ট্রগল" অসুম্না সিলহেট জেল অসি ইরাবতকীদমক্তি রেভল্যুস্নরি অমা ওইরক্লবগী ফরবা স্কুল অমা ওইখি।



কুমজা ১৯৪৩গী মার্চ ২০দা ইরাবত সিলহেট জেলদগী থাদোরকখি। অদুবু মরৈবাক পোল্লফম লমদম মণিপুরদদি চঙবা য়াদ্রিঙৈ মতম অদুদা মহাক্কী পোলিটিক্সকী থবকশিং পায়খৎপা হৌখি। অহানবদা কছারদা লৈরিবা মণিপুরী লৌমীশিং অমসুং চা বগান্দা থবক শুরিবা শিন্নীশিংগী মরক্তা চঙদুনা মখোয়গী দাবীশিং পুখৎপা অমসুং ফংফম থোকপা হকশিং খঙমিন্নবা অমদি ফংনবা থেংনবা হৌরকখি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) অসি কুমজা ১৯২৫গী দিসেম্বর ২৬তা কানপুর সহরদা লিংখি অদুবু মথৌ তৌবা ঙমহনখিদে। মরমদি মতমদুগী বৃটিশ লৈঙাক্কী মায়োক্তা হৌরকপা ঈহৌনি হায়দুনা কানপুর কন্সপিরেসি কেস পানশিন্দুনা ফাগৎখি অমসুং জেলদা থমজিনখি। অসুম্না মথং মথং কেস কয়াগা লোয়ননা শাগৎলকপনা ইহান হান্না ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা পার্টি অসিগী খ্বাইদগী চাওবা মীফম 'ফর্ষ্ট কোংগ্রেস ওফ সী পি আই' অসি কুমজা ১৯৪৩গী মে/জুন থাদা বোম্বেদা পাঙথোকখি। মসিদা ইরাবত ইনভাইটেদ ভিজিটর অমা ওইনা য়াওবা ফংখি। অসিগুম্বা ঐতিহাসিক ওইরবা সেসন অসিদনি ইরাবতনা মহাক্কী থৌনা অমসুং মরৈবাক নুংশিজবগী ৱাখলগা লোয়ননা মীয়ামগী থৌগল তৌরগে অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টি অসিদা য়াওরগে হায়বা ফিরেপ লৌখিবা। সী পি আইগী অনীশুবা কোংগ্রেসতদি ইরাবত দেলিগেট অমা ওইনা য়াওখি। মীফম অদু কোলকটা সিটিদা কুমজা ১৯৪৮দা ফমখি। মতম অদুদগী হৌরদুনা মহাক্না লৈখিদবা কুমজা ১৯৫১ ফাওবদা ইরাবতনা লেপ্পা লৈতনা লৈঙাক্কী অওৎ অনৈগী মায়োক্তা থেংনদুনতা লাকখি।

কম্যুনিষ্ট অমা ওইনা মহাক্না তৌরকপা থবকশিংনা মণিপুরদতা নত্তনা মপান লৈবাকশিংদসু ইরাবতপু মশক খঙবা হৌরকখি। মহাক্না মণিপুরদা চঙবা য়াদ্রিঙৈগী চহী খরসিদা কছার অমসুং সুরমা ভেল্লিদা লৈরিবা লৌমী মীয়াম্না ইরাবতকী লমজিং মখাদা লৌমীগী অন্দলোন কয়াদা শরুক য়ান্নরকখি। মসিদগীনি মহাকপু লমদমসিগী মীয়াম্না 'জন নেতা' (মীয়ামগী লুচিংবা) হায়বা মিংথোল অসি লান্থোকখিবা।

I greet this first Congress of the great Communist Party of India on behalf of the six and half lacs of Manipuri people.

Comrades, I have applied for membership of the great Communist Party of India and I shall consider it a revolutionary privilege if I am accepted as a member. I pledge my whole time and energy for the work of the Party – for implementing the patriotic policy of the Party in action.

[The above message was conveyed by Comrade Irawat Singh, at the 1st Congress of the Communist Party of India held at Bombay from May 23 to June 1, 1943. He was a special invitee at the Congress. This is a reproduction of the article entitled 'People's Leader of Manipur Applies for Revolutionary Privilege of Party Membership', published in the 'People's War' Vol. 1, No. 49, June 13, 1943. Com. P. C. Joshi edited the 'People's War' on behalf of the Communist Party of India.]

Footnotes : The article 'Irawat Singh of Manipur' written by Nikhil Chakravarty is reproduced from the 'People's War' Vol. II, No. 45, May 7, 1944. The 'People's War' was an organ of the then CPI. Hijam Irawat Singh was born at Imphal on September 30, 1896. His father was Hijam Ibungohal Singh and mother – Chongtham Chanu Thambalnganbi. Irawat married Khomdonsana, niece of Churachand Maharajah, King of Manipur. He died on the 26th September, 1951 at Tangbo, Burma.

> Irawat was arrested on the 9th January, 1940 on charge of sedition and detained in Imphal Jail and then transferred to Sylhet Jail. He was released on March 20, 1943 from Sylhet Jail.

> The first Congress of CPI was held at Bombay from the 23rd May to the 1st June, 1943. The 2nd Congress of CPI was held at Calcutta from February 28 to March 6, 1948.

অহানবা অমসুং অনীশুবা সী পি আইগী খ্বাইদগী চাওবা মীফমদা হিজম ইরাবত য়াওখি। অনীশুবা কোলকটাগী মীফমদা বর্ম্মাগী কম্যুনিষ্ট লুচিংবা থাকিন থান তুনগা শকখঙনখি। ইরাবতনা মীরোং ওইনা বর্ম্মাদা লৈরিঙৈদা বর্ম্মাগী মচেৎ অহুম থোক্লা লৈরম্বা কম্যুনিষ্টশিং অমত্তা ওইনা পূনশিনবা ঙমখি। ইরাবত শুপ্নতগী মণিপুরগীদা নত্তনা ইন্দিয়াগী অমসুং মালেমগী শু-নোম্লিবা মীয়ামগী লময়ানবা ইন্টরনেসনেলিষ্ট অমনি।. ●

## ষ্টেটকী পাউ

### ৱাংজিং তেন্থা এ সীদা ওল্ড এজ পেন্সন ফংদবা মীওই লৈশিল্লক্ত্রে: পি ব্রোজেন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):

তেন্থা খুন্নৌ অৱাং লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা ৱাংজিং তেন্থা ওল্ড এজ পেন্সন স্কিমগী মখাদা পাওনম বিহারি চেরিটেবল ফাওন্দেসননা স্পোন্সর তৌদুনা থা তরুক্কী ওইবা ওল্ড এজ পেন্সন, ৱিদো পেন্সন অমদি দিফরেন্টলি এবল পর্সনশিংগী পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরমদা এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা ৱাংজিং তেন্থা এ সীদা ওল্ড এজ পেন্সন ফংদবা অমত্তা লৈশিল্লক্ত্রে হায়না লাউথোকখ্রে।

কুমজা ২০১৩ দগী লেপ্তুনা থা ৬/৬কী ওইনা পূনশিল্লগা পেন্সন পীবগী চথুরকপা থৌরম অমা ওইনা পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরমদা এম এল এ ব্রোজেননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ২০১২গী ইলেক্সন্দা ঐহাক্না ভোট লেপ্পবগীদমক এ সী অসিগী য়ূমথোঙশিংদা অসুম চৎলকপা মতমদা মশাগী চহী ৭০গী মথক্তা লৈরবা অহল-লমন কয়া, লুখ্রাবী ওইরবী কয়া অমদি হকচাংগী পাঙ্গল শোল্লবা দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন কয়া লৈঙাক্কী পেন্সন ফংদদুনা লৈরম্বা কয়া থেংনরকপদা থম্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওখি। এ সী অসিদা এম এল এ, মিনিষ্টর কয়ানা পোলিটিকেলগী ওইবা খেন্নবা ৱাখল্লোন কয়ানা ইন্থোক-ইনশিন তৌবীদুনা অহল ওইরবা কয়াবু নাথৈবীরম্বা উবদা ঐহাক্না করিগুম্বা ইলেক্সন কারক্লবদি ৱাংজিং তেন্থা কেন্দ্রদা ওল্ড এজ পেন্সন ফংদবা অমত্তা লৈহল্লোই হায়না লাউথোকখি। ৱাফম অদুমক ইলেক্সন হেক মায় পাক্লবা মতুং কুমজা ২০১৩দগী লেপ্তুনা ৱাংজিং তেন্থা এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা ভোটর লিষ্টতা য়াওরবা মশাগী চহী ৬৮ শুরবা অহল ২০০০দা পোলিটিকেলগী খেন্নবা ৱাখল্লোন থমদনা চপ মান্নবা ৱাখল্লোন অমদা থা/থাগী ওইনা অহল অমদা লুপা ২০০/২০০ পূন্না থা ৬/৬ পূনশিল্লগা লুপা ১,২০০/১,২০০ অসি পীদুনা লাক্লি। কনাগুম্বা চিথি-নান্থবা য়াওরল্লবসু মশাগী চহীবু শুরল্লবদি মখা তানা অদুমক পীগনি। লোয়ননা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীয়াম পূনবা য়াদবনা ৱাংজিং তেন্থা এ সী অসিগী জি পি/জি পি এরিয়াশিংদা চৎতুনা পেন্সন য়েনবগী থৌরমশিং পাঙথোকখিগনি।

এম এল এনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ৱাংজিং তেন্থা এ সীদা ওল্ড এজ পেন্সন স্কিম অসি ৱাংজিং তেন্থা কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মখাদা পায়খৎপা স্কিম অমনি। স্কিম অসিগী অচঙবা শেনফম খূদিংমক ঐহাক্কী অপোকপা পি বিরহরিগী মিংদা পাওনম ফেমিলিনা লিংখৎখিবা পি বিরহরি চেরিটেবল ফাওন্দেসন, ৱাংজিংনা স্পোন্সর তৌদুনা পীবনি। স্কিম অসি ঐহাক্না ভোট কারবসু কাদ্রবসু অদুমক লেপ্তুনা পীখিগনি হায়খি।

### 'এক্স-প্রধাণ হেলিমদা শীরক্লিবা মরালশিং য়ূম্ফম য়াওদবনি'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):

সিঙ্গা মখা লৈকায় ৱেলফেয়র ক্লব (এস এম দব্লিয়ু সী)না য়াইরিপোক সিঙ্গা মার্কেটকী কৈথেল শঙ এক্স-প্রধাণ এমদি হেলিমনা শীদোক্লগা য়োন্থোকখ্রে অমদি য়ূম্ফম ফাওবা পুশিনখি হায়না পাউচেশিংগী খূথাংদা ফোঙদোরকপা অসি য়ূম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফম্নি হায়না সিঙ্গা মার্কেট দিভলপমেন্ট এসোসিএসন; সিঙ্গা আইদিএল ক্লব অমদি য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ক্লব, সিঙ্গা মখা তম্পাকময়ূম লৈকায়না পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল ফোঙদোরক্লি।

অসিগুম্বা য়ূম্ফম য়াওদনা মরাল শীজিল্লকপা অসি ক্লবশিং অসিনা য়াবা ঙল্লোই। এক্স-প্রধাণ হেলিম হায়রিবা মীওই অসি খুঙ্গং অসিগী থবক থৌরম খূদিংমক্তা থৱায় য়াওজবা সোসল ৱর্কর অমনি। সিঙ্গা খুঙ্গং অসিগী খ্বাইদগী লায়রবা মীওইশিংদা মতেং পাংবা মীওইনি। কথোকপদনা মশরুক ওইজবা মীয়ামগী লুচিংবা অমদা অসিগুম্বা মরম চাদবা ৱাহৈ-ৱাতা হায়রকপা অসি লাইবক থিবনি।

খুঙ্গং অসিবু থুগায়রগা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক শীনবা থৌওংনি। সিঙ্গা মখা লৈকায় ৱেলফেয়র ক্লব হায়রিবা ক্লব অসি চহী অসিদা ইষ্টাব্লিশ তৌখিবা ক্লব অমনি। পোলিটিকেল গেম তৌবা য়ানবা থোল্লকপা মীওই খরগী ওইবা ক্লব অমনি। অসিগুম্বা অরানবা ৱাফম কয়া থোল্লক্তুনা এক্স-প্রধাণ এমদি হেলিমদা মখা তানা মরাল শীরক্লিবদি ক্লবশিং অসিনা মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা পাউখুম পীনবসু শেম-শারে হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।